# জে এন কেদা প্রসিদেন্ট রুল শাংদোকহন্নবা বিল রাজ্য সভাদা পুথোকখ্রে; ওপোজিসননদি মীখল পাঙথোক্লুবা তকশিনখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০১ (এজেন্সী):
যুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা ঙসি রাজ্য সভাদা বিল অনী পুথোকখ্রে। বিল অমনা জম্মু এন্দ কাস্মিরদা প্রসিদেন্ট রুল থম্বগী মতম শাংদোকহনবগী মতাংদনি। অতোপ্পা বিল অমনা রিজার্বেসন (অমেনদমেন্ট) বিলনি।

বিল অনীমক লোক সভাদা পাস তৌবা লৈখ্রবনি। কুমজা ২০১৮কী মনুংদা বি জে পিনা মেহবুবা মুফতিগী পিপলস দেম্মক্রেটিক পার্টি (পি দি পি)দগী লাপথোকখ্রবা মতুংদা জম্মু এন্দ কাস্মিরদা সেন্ত্রেল রুল থমদুনা লাকখিবনি। চহী অসিগী মনুংদা এসেমব্লীগী মীখল পাঙথোক্লগনি। অদুবু মীখল পাঙথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা থা ৬ শুরক্লবা প্রসিদেন্ট রুল থম্বগী মতম শাংদোকহনবা মথৌ তাইহায়রি।

হৌখিবা মার্চ থাদা টেররিষ্টশিংনা পুলৱামাদা সুসাইদ এটেক চথ্দুনা লান্মী ৪০ হাৎখ্রবা মতুংদা ইলেক্সন কম্মিসননা ষ্টেট অসিদা লোক সভা মীখলগা পুন্না এসেমব্লীগী মীখল পাঙথোকপগী ৱাফম লৈরোই হায়না লাউথোকখি। লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম য়েংলগা ষ্টেট লৈঙাক্লসু এসেমব্লী অমদি লোক সভাগী মীখল পুন্না পাঙথোকপদা খুদোংচারোই হায়না ফোঙদোরকখি।

সিক্যুরিটিগী ফিভম য়েংলবা মতুংদা কম্মিসননা অনন্তনাগ লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সিদা তাঙ্কক অহুম থোক্না মীখল পাঙথোকখিবনি। মমাঙ থাদা ষ্টেট লৈঙাক্না মীখল পাঙথোকহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরক্লে হায়না ইলেক্সন কম্মিসননা ইনগিৎ পীখি।

অদুম ওইনমক হোম মিনিষ্টর অমিত সহানা ঙসি রাজ্য সভাদা প্রসিদেন্ট রুল থম্বগী মতম থা ৬ অমগা শাংদোকহন্নবা বিল পুথোরকখি। ইন্টর্নেসনল বোর্দর মনাক নক্না লৈবা মীওইশিংদা রিজার্বেসন পীনবগী মতাংদসু হোম মিনিষ্টরনা দি জম্মু এন্দ কাস্মির রিজার্বেসন (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৯ অপ্পর হাউজতা পুথোকখি।

নাকল অমরোমদা, বি জে পিনা লুচিংবা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা জম্মু এন্দ কাস্মিরগী মীয়ামদা নমথাক তৌরে হায়না কোংগ্রেসনা মরাল শীখ্রে। প্রসিদেন্ট রুলগী মতম শাংদোকহন্নবা ৱাফম য়েৎনরকপা মতমদা কোংগ্রেসকী মেম্বর ভি থাকুরনা হায়খি, জম্মু এন্দ কাস্মিরদা লোক সভাগী মীখল পাঙথোকখিবা মতমদা এসেমব্লীগী মীখলসু অদুমক পাঙথোক্লম্বা য়াবনি।

ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিল্লকপা পাম্বনা অথুবা মতমদা এসেমব্লীগী মীখল পাঙথোকপা তঙাইফদে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

নাকল অমরোমদা, রাজ্য সভাগী নোমিনেটেদ মেম্বর রাকেস সিনহনা হায়খি, লৈবাক্কী য়াম্না মরু ওইবা ৱাফম ওইবা মরম্না জম্মু এন্দ কাস্মিরদা হৌজিকমক মীখল পাঙথোকপদা খুদোংচাদবা কয়া মরুম মায়োক্লগনি। নেসনল সিক্যুরিটিগা মরী লৈনবা ৱাফমদা কোংগ্রেসনা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌরোইদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অপ্পর হাউসনা জম্মু এন্দ কাস্মিরদা প্রসিদেন্ট রুল থম্বগী মতম থা ৬ শাংদোকহনবগী বিল অমসুং রিজার্বেসনগী বিল পুন্না খন্নখি। খন্ন-নৈনবদা শরুক য়াখিবা সমাজ ৱাদি পার্টিগী রাজম গোপালনা হায়খি মদুদি, সেন্টরনা তহা-তহাবা মওংদা প্রসিদেন্ট রুল থমখিবা মরম্না অথুবা মতমদা মীখল পাথোক্তুনা মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক অমা লৈহন্নবা হোৎনফম থোকই। জম্মু এন্দ কাস্মিরদা বি জে পিনা মেহবুবা মুফতিগী পি দি পিদা শৌগৎতুনা লৈঙাক পায়বা য়াওখিবগী থৌওং অদু খ্বাইদগী চাওনা অশোইবা অমনি হায়নসু রাম গোপালনা ফোঙদোকখি।



# এন্সেফলাইটিসকী মতাংদা অসামদা অৱাংবা থাক্কী মীহুৎ কাংবু অমা থাখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ০১ (এজেন্সী):
বিহারদা এন্সেফলাইটিসনা মরম ওইরগা অঙাং ১৪০ হেন্না শীখ্রবা মতুংদা মখা তানা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিং লৌখৎনবগী পান্দমদা সেন্টরনা অৱাংবা থাক্কী টিম অমা অসামদা থাখ্রে।

অসামদা চহী ১০গী মমাঙদগী মরক মরক্তা এন্সেফলাইটিসকী রিপোর্ট তৌরকপা লৈখ্রবনি। চহী অসিগী ওইনসু অঙাং ৬ য়াওনা মীওই ২১ লায়না অসিনা মরম ওইরগা শীহনখ্রে। জোরহাট দিষ্ট্রিক্টতা মীওই কয়া শীখ্রবা মতুংদা হৌখিবা থা ৩গী মনুংদা এন্সেফলাইটিসকী মতিক চাবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে। বিহারগা মান্নদবা মওংদা অসামগী ওইনদি লায়না অসিনা নাবদগী শীখিবা মীওই অয়াম্বা অহল ঙাক্তনি।

সেন্টরনা অসামগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা এন্সেফলাইটিসকী ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পাঙথোক্তুনা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলি। হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ১০দা লায়না অসিনা নারবা মীওই কয়ামরুম থেংনরে হায়রি।

অমরোমদা অসামগী হেল্থ সেক্রেটরী সমির সিনহন হায়খ্রে মদুদি হৌখিবা থা ৩গী মনুংদা এন্সেফাইটিসকী কেস ৬৯ রিপোর্ট তৌরকখিবা তারবসু হৌজিক্তি মপুং ফানা ফিভম লাকশিনবা ঙল্লে। অসামদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগা বিহারগী মুজাফর পুরদা ওইরিবা ফিভমগা খেন্নবা কয়ামরুম লৈ হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। মমাঙদা ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা এন্সেফলাইটিস শন্দোরকপা থেংনখ্রবনি।

# কর্নাটকাদা কোংগ্রেস এম এল এ অনী ফম থাদোকখ্রে

বেঙ্গলুরু, জুলাই ০১ (এজেন্সী):
ঐচ দি কুমারস্বামীনা লুচিংবা কর্নাটকাগী চুংশিন্নবা লৈঙাক্তা অচৌবা শাফু পীবা য়াবা থৌওং অমদা কোংগ্রেসকী এম এল এ অনী ষ্টেট এসেমব্লীদগী ফম থাদোকখ্রে।

রেবেল এম এল এ রমেস জরকিহোলি য়াওনা কোংগ্রেসকী এম এল এ অনীনা ঙসি এসেমব্লীগী স্পিকর কে আর রমেস কুমারদা ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিনখি। স্পিকরদা পীশিনখিবা চেরোল অদুদা এম এল এ রামেস জরকিহোলিনা হায়খি মদুদি, মমাঙ চহীদা কেবিনেট রিসফল তৌখ্রবা মতুংদা কোংগ্রেসনা পার্টি অসিগী সিনিয়র মেম্বরশিং থৌশাদবগী মওং অমা ময়েক শেংনা উবা ফংলে। মতম শাংনা পার্টিগীদমক থবক তৌরক্লবা মীওইশিং নাথৈদুনা থম্লগা নৌনা চঙলকপা মীওইশিংদা খুদোংচাবা হেন্না পীদুনা লৈরে হায়নসু চেরোল অদুনা ফোঙদোকখি।

জরকিহোলিনা ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা কোংগ্রেসকী অতোপ্পা এম এল এ অনন্দ সিংহনসু এসেমব্লীদগী ফম থাদোকচরগে হায়না স্পিকরদা অইবা চেরোল পীশিনখি। কোংগ্রেস অমসুং জনটা দল সেক্যুলরগী লৈঙাক্না বেল্লরিগী লম একর ৩,৬৬৭ জে এস দব্লীয়ু ষ্টিল লিমিটেদতা য়োন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপগী মায়োক্তা অনন্দ সিংহনা ফম থাদোক্লবা ফিরেপ লৌরকপনি হায়রি।

# অমরনাথ যাত্রা হৌখিবদগী জম্মু-স্রিনগর হায়ৱে থিংজিনখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০১ (এজেন্সী):
অমরনাথ যাত্রা হৌখিবগা লোয়নন্না গভর্ণর সত্যা পাল মালিক্না লুচিংবা জম্মু এন্দ কাস্মির এদমিনিষ্ট্রেসনন্না জম্মু-স্রিনগর নেসনল হায়ৱেদা মীচমগী গাড়ি চথোকচৎশিন তৌবা থিংজিনখ্রে।

অথিংবা অসি অমরনাথ যাত্রা লোইদ্রিবা ফাওবা নুমিৎ ৪৬ চুপ্পা থমখিগনি হায়রি। ষ্টেট ট্রাফিক পুলিসনা থোকখিবা য়াথং অমগী মতুং ইন্না কিলোমিটর ৯৭ শাংবা কাজিগুন্দদগীনা নাস্রি ফাওবগী লম্বী শরুক্তা অয়ুকপুং ১০দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা অমরনাথ যাত্রাগা মরী লৈনবা নত্তনা মীচমগী গাড়ি অমত্তা চথোক চৎশিন তৌবা য়াররোই।

কাস্মির তম্পাক্কা লৈবাক্কী অতৈ অতোপ্পা মফমশিংগা শম্নহল্লিবা য়াম্না মরু ওইবা হায়ৱেদা অথিংবা থল্লকপগী থৌওং অসিনা মীয়ামদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লগনি। অমরনাথ যাত্রাগা মরী লৈননা হায়ৱে অসিদা এদমিনিষ্ট্রেসনন্না মতৌ অসুম্না অথিংবা থম্বা হন্দক্লা অহানবনি।

পুলৱামাদা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথুরকখ্রবা মতুংদা জম্মু এন্দ কাস্মির এদমিনিষ্ট্রেসনন্না মিলিটরি অমসুং সি আর পি এফকী কনভোইদা অপনবা থোকহন্দনবগী পান্দমদা চয়োল খুদিংগী হায়ৱে অসিদা নুমিৎ নীনি অথিংবা থমদুনা লাকখিবনি। থৌওং অদুবু মায়কৈ কয়াদগী অকন্নবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখ্রবা মতুংদা গভর্ণর সত্যা পাল মালিক্না থা ২গী মতুংদা অথিংবা লৌথোকখি।



হিরম অসিগী মতাংদা জম্মু এন্দ কাস্মির পুলিসকী দিরেক্টর জেনরেল দিলবাগ সিংহনা হায়খি, মীয়ামগী খুদোংচানবগীদমক অখন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপা অসিনা মীওই খরদা নুংঙাইহন্দবা তারবসু সিক্যুরিটিগী মীৎয়েংদগী তঙাইফদনা অখন্নবা থৌরাং অসিনা লৌখৎলকপনি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৭কী জুলাই ১০দা টেররিষ্টশিংনা কাস্মিরগী অনন্তনাগ দিষ্ট্রিক্টতা অমরনাথ যাত্রগী পিলগ্রিমশিং তোংবা বস অমদা এটেক চথুরকখিবদা মীওই ৮ শীখিবগা লোয়ননা ১৯ অশোকঅপননংখিবনি। হন্দক চহীগী ওইনা খুদোংথিবা থোকহন্দনবগী পান্দমদা অকন্নবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা পিলগ্রিম ৭,৫০০না অমরনাথ যাত্রাগীদমক খোঙশানখ্রে।

# নোংজুগী চাং নেম্বনা পোখোক পুথোকপগী চাং হন্থগদৌরি

চান্দিগর, জুলাই ০১ (এজেন্সী):
মহৈ মরোং পুথোকপদা মাংজিল থাবা ষ্টেটনি হায়না লৌনরিবা পঞ্জাব অমদি হরিয়ানাদা নোংজুগী চাং নেম্বনা মরম ওইরগা পোখোক পুথোকপগী চাং হন্থরগনি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়ন মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমনা হায়খি, জুন থাদা পঞ্জাবকী ওইনা নোংজুগী চাং চাদা ৫০ রোম হন্থখি। হরিয়ানাগী ওইনদি চাদা ৬০ রোম নোংজুগী চাং হন্থরকপা থেংনখি। পঞ্জাবকী এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না মলৱা রিজনদা ত্যুবৱেল অমদি ঈথৈ লৌখোঙগী ঈশিংশীজিন্নদুনা মহৈ মরোং উবা তারবসু ঈশিং ৱাৎপগী অৱাবা মায়োক্লবা মরম্না পোখোক পুথোকপগী চাং হন্থরগনি।

হরিয়ানাদসু লৈনুংগী ঈশিং লৈশিল্লক্তবগা লোয়ননা নোংজুগী চাং নেম্বদগী চহী অসিদা পোখোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্লোইদৌরি। হন্দক্তা ষ্টেট অসিগী ব্লোক ৭- য়মুনানগর, অম্বালা, কর্নাল, কুরুক্ষেত্রা, কাইথাল, জিন্দ অমদি সোনিপাটতা পোইলোট প্রোজেক্ট অমা পায়খৎতুনা চুজাক অমসুং হৱাই-চেঙৱাই মখল কয়া পুথোক্লবা থৌরাং লৌখৎখিবনি। অদুবু নোংজুগী চাং নেম্বনা পোখোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্লোইদবগী ফিভমদা লৈরে হায়রি।

# অসোক গেহলোটনা মখা তানা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইনবা হায়জরকপদা রাহুল গান্ধিনা য়াখিদ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ০১ (এজেন্সী):
রাজস্থানগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা কোংগ্রেসকী সিনিয়র লিদর অসোক গেহলোটনা রাহুল গান্ধিবু মখা তানা পার্টিগী প্রসিদেন্ট ওইনবা হায়জরকপদা অয়াবা পীখিদ্রে।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা গেহলোটনা হায়খি, রাহুল গান্ধি নত্তনা হৌজিক পার্টিগী অতোপ্পা মতিক চাবা লুচিংবা অমত্তা লৈতে। মরম অদুনা ফম থাদোক্লবগী মতাংদা রাহুলনা লৌখিবা ফিরেপ হন্দোকপা চুমগনি।

ইন্দিয়া অমদি লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়ামগীদমক রাহুলনা লৌখৎলকপা থৌরাংশিংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা গেহলোটনা হায়খি, লৈবাক্কী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা রাহুল নত্তনা কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট ওইবীনবা অতোপ্পা মতিক চাবা মীওই অমত্তা লৈতে।

কোংগ্রেসনা লৈঙাকপা ষ্টেটশিংগী চীফ মিনিষ্টর পুম্নমক্না রাহুল গান্ধিগা উনদুনা খোঙফম হঞ্জিলহন্নবা থৌরাং তৌরিঙৈগী চৈরক্তা অসোক গেহলোটনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকপনি।

কোংগ্রেসকী চীফ মিনিষ্টরশিংনা রাহুল উনদুনা পার্টিগী মরু ওইবা ৱাফম কয়া খন্নবগা লোয়ননা ফম থাদোকপগী ফিরেপ হোংদোকপীয়ু হায়না অপিল তৌনবা থৌরাং লৌখৎলকখি। মধ্যা প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর কমল নাথনা লুচিংগদবা চীফ মিনিষ্টরশিংগী টিম অদুদা রাজস্থানগী চীফ মিনিষ্টর অসোক গেহলোট, পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর অমরিন্দর সিংহ, ছটিসগরগী চীফ মিনিষ্টর ভুপেস বধেল, পুদুচেরিগী চীফ মিনিষ্টর ভি নরায়ন স্বামী অমদি রাজস্থানগী দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর সচিন পাইলোট য়াওরি।

রাহুলনা ফম থাদোক্লবা ফিরেপ লৌরকপদগী কোংগ্রেস মনুংদা হৌখিক চাওনা চরাংনবা অমা থোরক্লি। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা লোক সভাগী মীখলদা কোংগ্রেনা ইকানিংঙাই ওইবা মওংদা মায়থীবা ফংখ্রবা মতুংদা রাহুলনা পার্টি প্রসিদেন্টকী ফম থাদোক্লবা ফিরেপ লৌরকপনি। রাহুল গান্ধিগী খুদুং ইন্দুনা পার্টিগী লুচিংবা খরসু ফম থাদোকখিবদগী ৱাথোক অসি অমুক্কা হেন্না চাওথোরকপগী ফিভমদা লাকখিবনি।

# আর বি আইগী দেপ্যুতি গভর্ণরগী মতম শাংদোকহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০১ (এজেন্সী):
রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই)গী দেপ্যুতি গভর্ণর এন এস বিস্বানাথনবু মখা তানা ফম অসি চহী অমগা পায়নবা য়াথং পীখ্রে।

বিস্বানাথনবু জুলাই ৪দগী হৌরগা চহী ১ দেপ্যুতি গভর্ণর ওইহনবগী মতংদা এপোইন্টমেন্ট কম্মিতি ওফ কেবিনেটনা অয়াবা পীখি। পার্সনেল মিনিষ্ট্রিনা থোকখিবা চেরোল অমগী মতুং ইন্না বিস্বানাথনবু মখা তানা আর বি আইগী দেপ্যুতি গভর্ণর ওইহনখিগনি হায়রি।

জুলাই ৩দা মতম লোইরগদবা বিস্বানাথনগী মতাংদা এপোইন্টমেন্ট কম্মিতি ওফ কেবিনেটনা খন্নরবা মতুংদা চহী ১ শাংদোকহনবগী ৱাফম অয়াবা পীখিবনি। মমাঙ থাদা ভি অচারিয়ানা আর বি আইগী গভর্ণর ওইরম্বদগী ফম থাদোকপা লৈখ্রবনি। মতম লোইগদবা থা ৬ ৱাৎলিঙৈদা মহাক্না ফম থাদোকখিবনি।

# জম্মু এন্দ কাস্মিরদা মী কা হেন্না তোংশিনবা বস অমা লোকখাদা তাশিনবদা মীওই ৩৫ শীরে

জম্মু, জুলাই ০১ (এজেন্সী):
জম্মু এন্দ কাস্মিরগী কিস্তৱার দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি অয়ুক মী কা হেন্না তোংশিনবা বস অমা চীং লম্বীদা থৌগৎলকপদা লোকখাদা তাশিনখিবদগী মীওই ৩৫ শীরে অমসুং অতোপ্পা কয়ানা অশোক অপননংলে।

কেসৱানদগী কিস্তৱার তম্না থৌরকখিবা মিনি বস অদু অয়ুক পুং ৭.৩০ তারকপদা লম্বীদগী লোকখাদা ওন্থখিবনি হায়না কিস্তৱারগী দেপ্যুতি কম্মিস্নার এ এস রানানা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

সিট ২৮ থাবা বস অদুদা পুন্না পেসেঞ্জর ৫২ তোংশিল্লগা থৌরকপদা লাইবকথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। পুলিস অমসুং সিক্যুরিটি এজেন্সিশিংনা হেলিকোপ্টর শীজিন্নদুনা মী কনবা অমসুং মতেং পাঙবগী থবক চথুরি। অশোকপা মীওইশিং জম্মু গভর্ণমেন্ট মেদিকেল কোলেজ হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা গভর্ণর সত্যা পাল মালিক্না অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংদা লুপা লাক্ষ ৫ এক্স গ্রেসিয়া ওইনা পীরগনি হায়না লাউথোকখি। মতৌ করম্না লাইবক থিবা থৌদোক অদু থোকখিবগে হায়বা চপ চানা খঙদোক্লবা হোৎনরি।

SERENE | ꯁꯦꯔꯤꯅ Estd. 2011
Educational Foundation
Nagamapal Soram Leirak, Imphal West, Manipur # 8837444089
FOUNDATION COURSE FOR IX & X (BOSEM & CBSE)
SUBJECT : MATHS | SCIENCE | S. SCIENCE | ENG | M.M.
HR. MATHS | H. SC | COMP. SC. | Seperate Classes for BOSEM & CBSE
TUTORIAL CLASS FOR I TO VIII STANDARD (BOSEM & CBSE)
Approach : Self Study hour under Teacher's supervision followed by 2 tutorial classes for 45 min each.
Teacher Student ratio 1:10
Regular Handwritting, Vocabulary, Dictation and Weekly Test.
Van Service Available
Classes commencing on 20th June, 2019/Timing : 4:45 p.m. to 8:00 p.m.
Post Vacant for : Senior Warden (1 no.) To teach students upto XII Standard (Math/Sc) (Pay : 15K p.m.) Warden (2 nos.) to teach students upto X standard (Sc/S.Sc) (Pay : 10K p.m.) D.T.P. Operator (1 no.) (Pay negotiable)
HL-P/4300/11-30/june/1-10/july

S3 COACHING CENTRE
NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER
ADMISSION OPEN FOR NEW BATCH BOSEM CLASS IX & X ONLY
SUBJECTS ARE - ENGLISH, SCIENCE, SOCIAL SCIENCE AND MATHEMATICS
ONLY LIMITED SEATS, 20 STUDENTS PER CLASS
CLASS COMMENCING FROM 26TH JUNE, 2019
CLASS TIMING -
MORNING : 4:30 - 7:30 A.M. & EVENING 4:50 - 8:10 P.M.
SOME SEATS ARE VACANT FOR CLASS XI & XII BOTH CBSE AND COHSEM
EXPLORE YOUR EDUCATION QUALITY THROUSH US
* VAN SERVICE AVAILABLE *
HL-B/5501/21 Please Contact : 9856331259/6009164004

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোক্লগা লৈবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী তাংমুক শাংনা অমাংথোঙ মনুংদগী নান্থরকপা, শৌজ নান্থবগুম্না অদুগা মশানা অমুক হঙ্গৎখিবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাখৎলকপা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চংবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা মতম কুইনা নাদুনা অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোক্লগা লৈবা, অহানবদা মচা ওইনা পোমথোক্লকপদগী নোংমা খোঙ অকনবা হাম্বদগী খুৎনাওবীগী তাংমুক চাউনা পোমথোরকপা, পোমথোক্লগা লৈবা অদু করিমতা চিকপা, নাবা তৌদবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, করিগুম্বা কান্দা সেরিঞ্জনা কাপ্পগুম্না ঈ কাপথোকপসু য়াওবা, ঈ তাবা অদুনা মরম ওইদুনা হকচাংদা ঈ ৱাৎলকপা, হকচাং য়াম্না শোন্থরকপা অমদি থবক শূবা ঙল্লক্তবা, ঈ তাখিবা অদুনা মরম ওইদুনা ফম্বী শোন্থরকপা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী তাংমুক শাংনা অমাংথোঙ মনুংদগী নান্থরকপা শৌজ নান্থবগুম্না অদুগা খোঙ হাম্বা লোইরবা মতুংদা মশানা অমুক হঙ্গৎখিবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক চপ তিংখৎলগা কংখৎলকপা, করিগুম্বা অমা চারবসু পুক হেক্তা কংখৎলকপা, মদুনা হকচাংদা য়াম্না নুংঙাইতবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, মচিৎ মচিৎ হাম্বা অমুক্তদা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, খোঙ হাম্বা মতমদা ৱাতিনগুম্না পিক্না থোক্লকপা, মরক-মরক্তা অমাংথোঙদা চিক্লকপা, ঙকশম মরী নাবা, খ্বাং নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 9774274439, 8414825323 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat. (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal Konchak Bazar. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wednesday & Saturday Open) (10 a.m. to 4pm.)
HL-P/4322/2
থাগৎচরিবা : P. Santi Singh, 1st MR

2nd MATHEMATICAL (WIZARD) COMPETITION 2019
ORGANISED BY: EDUCITY
Sagolband Tera Tongbram Leikai, Near Oriental College Imphal-795001

| | | |
|---|---|---|
| Submission Fee Rs. 300/-<br>Last Date of Submission: 16th July, 2019<br>Class I to X (classwise)<br>Sub : Mathematics (100 marks)<br>Date of Exam: 21st & 28th July, 2019 (Sunday)<br>Timing : 8:30 am to11:30 am, 12:30 pm to 3:30 pm | Class I to V on 21st July, 2019<br>Class VI to X on 28th July, 2019 | Class I, II, III, VI & VII 8:30–11:30 am<br>Class IV, V, VIII, IX & X 12:30–3:30 pm<br>in their respective dates |

Prizes
1st Position – Rs. 7,000/- x 10 + Certificate
2nd Position – Rs. 5,000/- x 10 + Certificate
3rd Position – Rs. 3,000/- x 10 + Certificate
4th to 10th position – Special Package

*Special Prizes
1. Best Student will be announced as "Mathematical Wizard of the Year" (which secured 100 marks) with a prize of Rs 3,000 and Mementos
2. Best School to the School of the Best Students (Rs. 3,000/- + Mementos)

* Forms available at all the leading book stores and schools of Manipur.
1. Siroi Paper Mart - Singjamei Bazar & Kwakeithel 2. Chanura Photo - Kakwa Bazar 3. Heemabala Book Store- Canchipur 4. Universal Book Store - Lilong Bazar 5. K.B. Stationery - Wangjing Bazar 6. Mangol Stationery - Kakching Bazar 7. PP Collection & Stationery - Kakching Bazar 8. Echan Stationery - Wabagai Lamkhai 9. Baby Book Store - Mayang Imphal 9. M/S Computer - Thongkhong Luxmi Bazar, 10. New Book Store - Wangoi Bazar 11. M/S Rakesh Book Store - Wangoi Bazar 12. Sangai Book Store - Samurou Bazar 13. Lily Book Store - Oinam Bazar 14. I.K. Book Store & Xerox Point - Bishnupur Bazar 15. Tamo Photo Studio - Ningthoukhong Bazar 16. Romee Book Store - Moirang Lamkhai 17. Ibeyaima Gallery - Moirang Bazar 18. Leima Book Store - Nambol Bazar 19. C.I. Book Store - Nambol Bazar 20. Sharma Distributor - Yairipok Bazar 21. Yai Bros - Yairipok Bazar 22. Habib Stationery - Yairipok Azad Golai 23. Hee Yai Enterprieses - Sangakpham 24. Phijam Stationery - Chingmeirong Khongnang Ani Karak 25. Leirik Stationery - Khumbong Bazar 26. L.K. BookStore - Lamlong Bazar 27. Compact Service - Khoyathong 28. Taurus Stationery RIMS gate 29. Grand Paper Mart - RIMS gate, 30. Shila Book Store, Thoubal Bazar 31. Amar Book Store - Khangabok Bazar 32. Eikhoigi Enterprises - Kwakeithel Bazar
HL-B/5513/27-6/26-7
Please Contact: 9612194500 / 6009103078

PMKVY
Skill India
SD INDUSTRIES
CONSTRUCTION TRAINING CENTRE
N·S·D·C National Skill Development Corporation
SMART TP ID - TP009187
Email : loktak.sdictc 2019 @ gmail.com
Phone No. 8259956622/8787753730/9856165020/7085211680
ADMISSION OPEN
FREE TRAINING PROGRAMME



| Job Role : | Eligibility : | Document Reqd. : | Benefits : |
|---|---|---|---|
| Plumber General | 10th Passed | ● Valid Aadhar Card<br>● 2 Passport Size Photos<br>● Valid Mobile No.<br>● Valid Email ID<br>● Valid Bank Account linked with Aadhar<br>● Educational Certificates<br>● Sc/St certificates (optional)<br>● Physically Handicapped Certificate (Optional) | ● All Courses are Free for 100% attendance<br>● SSC Certified Trainers<br>● Nationally & Internationally Recognised Certification by NSDC<br>● Mudra Loan facilities for Passed out trainers<br>● Post Placement Monetary Support<br>● Placement Assistance<br>● Induction Kits and Study<br>● Pre-Counselling Session |
| Painter & Decorator | 10th Passed | | |

sdictc
Be a part of Skill India Innitiative
For Further Details Please Contact, Office of the SDICTC, Changangei Uchekon Contact No.8259956622
HL-B/5514/28,30,2,4,6